# য়ু এস মিলিটরি বেজদা লান্মী অমনা অতোপ্পা ৩ হাৎলগা শিজখ্রে




*টেক্সাস, এপ্রিল ৩ঃ* য়ু এসকী টেক্সাসতা লৈবা ফোর্ট হুট আর্মি বেজদা লান্মী অমনা মপাং অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মশা মথন্তা কাপশিন্দুনা শিজখ্রে হায়না মিলিটরিগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লান্মী অহুম হাৎলগা মথন্তা শিজখিবা ইভান লোপেজ ওইরম্বা য়াই হায়না লৌরিবা লান্মী অসি ইরাক্তা মতম খরা মথৌ পাঙথোক্লুবগা লোয়ননা ৱাখলগী ফিভম খরা ফত্তবগী রিপোর্ট লৈ হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবদা প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা থম্মোয় শোকপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ইং ২০০৯ দসু বেজ অসিমক্তদা মান্নবা থৌদোক অমদা লান্মী মশেল হাৎনবগী থৌদোক্তা ১৩ শিরগা ৩২ শোকখিবনি। থৌদোক অদুদসু মেজর নিদাল হাসন হায়বা লান্মী অমা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

য়ু এস মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই লেফটিনেন্ট জেনরল মার্ক মিলিনা পাউমীশিংদা হায়বদা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা থোকখিবা থৌদোক অসি টেরোরিজমগা মরী লৈনবগী ইঙ্গিৎ অমত্তা ফংদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লান্মী অহুম হাৎপগী থৌদাং ওইখিবা মীশক অদু ইং ২০১১ দা ইরাক্তা মথৌ তৌরিঙৈদা অশোক অপন নংখিবসু নত্তে। অদুবু ইরাক্তগী হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্কী ৱাখলদা পোষ্ট-ত্রোমেটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দর লৈব্রা হায়বগীদমক য়েংশিল্লিবা মীশকনি হায়রি। অদুগা মহাক ৱাখল ফকচিনবা অমদি এঞ্জাইটিগীদমক লায়েং চথরিবা লান্মীনি হায়নসু জেনরেল মিলিনা মখা তাখি।

মহাক্লা চথখিবা এটেক অদু হান্না ৱাখলদা শেম শারগা চথখিব্রা অদুগা শিরিবা মীওইশিং অদুসু মিলিটরি পার্সোনেল ঙাক্তরা হায়বসি চপ চাবা খঙদ্রি হায়নসু জেনরেল অসিনা ফোঙদোকখি।

বেজ অদুদা লৈবা বিল্ডিং অনিদা লান্মী অসিনা গাড়ী থৌদুনা চংশিনখ্রগা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপখি। অদুবু মিলিটরি পুলিসনা মহাকপু লেপহনখিবনি। থৌদোক অদু মিনিট ১৫ দগীনা ২০ ফাওবগী মনুংদা লোইখি। মহাক্লা লোকেল ষ্টোর অমদগী লৈবনি হায়বা পোইন্ট ৪৫ কেলিবরগী সেমি ওটোমেটিক পিষ্টোল অদুনা মশাদা কাপশিঞ্জবদগী মহাক শিখি হায়নসু জেনরেল অসিনা কনফার্ম তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ওবামানা চিকাগোদা পাউমীশিংদা হায়খিবদা, থোকখ্রিবা থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বসি চপ চানা খঙদোক্কনি হায়না ঐনা মীয়ামদা থাজবা পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

ফোর্ট হুদ মিলিটরি বেজদা লৈবা মেদিকেল সেন্টর অমদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অসিদা মীওই ১০ হেন্নসু অশোক অপন নংখি হায়রি।

য়ু এস মিলিটরিনা ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মতাংদা কা হেন্না কুপ্পা ৱারোলশিংদি ফোঙদোরকপা লৈতে। অদুমকপু আর্মিগী ওফিসিয়েল ট্বিট্টর ফিদ অমদা হায়খিবদদি পোষ্ট অসি লোক তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুং পুং কয়ামরুম লৈরগা অকাইবা অমত্তা লৈত্রে হায়বগী সাইরেনশিং খোঙলকখি। আর্মি বেজ অসিদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুং মরী মতাশিংনা মখোয়গী নক্লা-চানবশিংগী মতাংদা পাউ লৌনবা খৌরাংনা ঙাইনরি। থৌদোক অদুগী পুং খরা লৈরগা বেজ অসিদা পোষ্টিং তারিবা লান্মী অমগী লোয়নবী তাইরা দেহার্ট হায়বী অমনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী মপুরোইবনা মহাক্তি অশোই অঙাম য়াওদনা লৈরি হায়না খঙহল্লকই হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা মপুরোইবদগী পাউ অদু ফংদ্রিঙৈগী পুং ২ রোমগী মতম অদুনা মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী লৈতাফম খঙদবা তানফম হায়বদু ওইখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# চিলিদা অফটরসোক ওইনা য়ুহা হাবদা মেগ্নিচুদ ৭.৬ য়ৌনা নিকখ্রে




*সান্তিয়াগো, এপ্রিল ৩ঃ* চিলিদা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা মেগ্নিচুদ ৮.২ য়ৌনা য়ুহা হাপ্রবা মতুংদা থোকখিবা অফটরসোক কয়ামরুমগী মনুংদা ঙরাংগী অথেংবদা নোদর্ন চিল্লিদা মেগ্নিচুদ ৭.৬ য়ৌনা নিকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুহা হাবা অদুগা মরী লৈননা ঙরাং চিলিগী সমুদ্র মপাল শিন থুংবদা সুনামি এলার্টসু লাউথোকখিবনি। অদুবু য়ুহা হাবা অদুদা মীওই ৬ শিখিবা অদুগা খ্বাইদগী কনবা চাংদা অফটরসোক থোকপদা থোইদোক্লা অতেক অকাই থোকপা অমদি মীশি মীনা য়াওদবদগী সুনামি এলার্ট অদুসু লৌথোকখ্রে হায়রি।

চিলিগী ইমর্জেন্সি ওফিসনা হায়বদা, খ্বাইদগী কোনবা ওইনা থোকখিবা অকনবা অফটরসোক অসিগী মতুংদা শাথিবা অতেক অকাই নত্রগা অশোক অপনগী পাউ অমত্তা লাক্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুহার হাখিবা অৱাং থংবা চিলিগী খ্বাইদগী কন্না চৈথেং ফংখিবা মফম অদুদা চিল্লিগী প্রসিদেন্ট মিচেল বেচেলেটনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মহাক মশামকসু অরিকা সিটিদা লৈবা হোটেল অদুদগী ইভাকুয়েট তৌখিবনি। ঙরাং অহিং মহাক্লা হায়খিবদা, ঐ ইশামকপু সিটিজেন অতৈগুম্না ইভাকুয়েট তৌখি। অদুগা ঐখোয় পুন্না অরিকাগী ইমর্জেন্সি ওফিস অসিদা লাকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অরিকা সিটি অসি মালেমদা কোরি খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্লিবা খ্বাইদগী চাওবা লৈনুংহৎ ময়াম অমা লৈবনি।

অমরোমদা মফম অসিদা লৈবা কোরিগী খোনিশিংসু অকাই অতোই অমত্তা য়াওদবনা মহৌশাগী মতৌগুম্না কোরি পুথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়রি।

লমগং ওইনা তৌবা মিনরেল মরাং কায়বা চিলিগী অৱাং থংবা শরুক অসি মী তাবগী চাংসু য়াম্না লল্লি। অয়াম্বনা আইকিক্যু অমদি অরিকানচিংবা পেরুগী ঙমখৈ নক্লা লৈবা পোর্ট টাউনশিং অসিদনা খ্বাইদগী য়াম্না মী তাবনি। খ্বাইদগী কোন্না থোকখিবা মেগ্নিচুদ ৭ হেনবা অফটর সোক অদু আইকিক্যুদগী খারোমদা মাইন ১২ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা লৈনুংদা মাইল ১২.৪ লুবা মফম অমদগী হৌরকখিবনি হায়নসু য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে।

পেসিফিক সুনামি ৱার্নিং সেন্টরনা হায়বদা, পাক শন্না সুনামিগী অকিবা লৈত্রগসু খ্বাইদগী কোন্না নিকখিবা অসিনা অনকপদা লোকেল সুনামি থোকহনবদি য়াই।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী কনবা য়ুহা হাবা অদুনা মিটর ২ রোম ৱাংবা ইথকশিং থোকহন্দুনা মীওই ৬ শিখি। য়ুম অমদি ঙাফাহি পুন্না ২৬০০ রোম অতেক অকাই থোকখি। অদুবু ইনফ্রাষ্ট্রকচর অয়াম্বদি থোইদোক্লা অশোক অপন য়াওখিদে।

পনবা য়াবদি মালেমগী খ্বাইদগী য়ুহা হাগনবা মফমশিংগী মনুংদা চিল্লিসু চল্লি। খা থংবা চিল্লিদা ইং ১৯৬০ দা মেগ্নিচুদ ৯.৫ য়ৌনা হাখিবা অদুনা অনৌবা মতমগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী কনবা য়ুহা হাবা থৌদোক ওইরি। অদুবু প্রসিদেন্ট বেচেলেটনা ওফিস পায়রকপা থা অমা ফাবাৎত্রিঙৈ মরকসিদা মীয়ামগী ক্রিটিসিজম খরদি মায়োক্লরি। ইং ২০১০ দা মহাক্কী অহানবা টার্ম লোইরমদাইদা মেগ্নিচুদ ৮.৮ গী চাংদা য়ুহা হাবা অমদি সুনামিনা মরম ওইদুনা মীওই ৫২৬ শিখিবা হাক্তক্তা মতম চানা থবক লৌখৎতে হায়না প্রসিদেন্ট অসিবু মীয়াম্না নিন্দা তৌনখিবনি।

# মুসারফকী য়ুময়াদা বোম অমা পোকখাইখ্রে



*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ৩ঃ* রাউল পিন্দিগী হোস্পিটাল অমদগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্বেজ মুসারফনা মহাক্কী ফার্ম হাউস অমদা হল্লকপদা লাকপা লম্বী পরিংগী নাকলদা লৈবা ফুদ পাঠ অমদা ঙসি নোঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ তাবা মতমদা বোম অমা পোকখাইরকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইস্লামাবাদ পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, মুসারফনা চাক সাহজাদ য়ৌরকপা মতমদা বোম অদু পোকখাইরকখিবনি। অদুমকপু থৌদোক অদুদা কনা অমত্তা অশোক অপন নংখিদে অদুবু মনাক্তা চৎলম্বা কার অমদি অতেক অকাই খজিক্তং থোকখি হায়রি।

টাইমর দিভাইস শীজিন্নদুনা পোকখাইহল্লকখিবা কে জি অমরোমগী বোম অদু ফুদ পাঠ মথক্তা থন্নগা পোকখাইহনখিবনি হায়রদুনা ফুদ পাঠ অদুদি খজিক্তং শোকখি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি হান্নগী পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জেনরেল (রিটয়ার্দ) পর্বেজ মুসারফ চহি অসিগী জনুৱারী ২ দা মহাক্কী মথক্তা ৱায়েল চথগদবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমদা লাকপদা লম্বীদা মশা নুংঙাইরক্তবদগী আর্মদ ফোর্সেস ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিওলোজিদা এদমিট তৌখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবদসু মহাক্কী মথক্তা কোর্টনা মরাল পীখ্রবনি। মসিগী মতুংদা পাকিষ্টান থাদোক্তুনা চৎপা য়াদবশিংগী মিং পরেংদগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লুবা হায়জ চেরোল অমসু গভর্নমেন্টনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

সারজাহদা লৈবী মহাক্কী অপোকপী মশা ঙমদবগী মরমদগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা পাকিষ্টান থাদোক্তুনা চৎলগা মমাবু উন্নবা য়ানবগীদমক ইকজিট কন্ট্রোল লিষ্টতগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লুবা হায়জখিবনি।

পুলিসনা হায়বদা মুসারফ হোস্পিটালদগী ময়ুমদা হল্লক্কনি হায়বা পাউ লৈবদগী মখোয়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধরি নিসার অলি খাননা হায়বদদি মুসারফনা চখোক চৎশিনগা মরী লৈনবা পাউ অমত্তা পুলিসতা পীখিবা লৈতে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাংদসু চাক সাহজাদ তাবা লম্বী অসিগী পরিংদা বোম অমদি পোকখাইবা য়াবা পোৎলমশিং লৈরম্বগী থৌদোক কয়ারক থোকখ্রবনি। মসিনা মরম ওইদুনা সিক্যুরিটিগী অকিবা লৈবদগী মুসারফনা কোর্টতা লাকপদা খুদোংচাদবা লৈ হায়রদুনা সমোন কয়ারক ফংবদা কোর্টতা লাকখিদ্রবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বগী মতুংইন্না, টেরর গ্রুপ কয়ামরুমনা মুসারফতা কিহল্লকখিবা থেঙ্খাং কয়ামরুম লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

নিংশিংবা য়াবদি মহাক্লা পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসন থৌশাদনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা হায় ত্রিজনগী কেস অমা নল্লিবনি।

# চাইনাদা অঙাংনা মৈ শান্নবদগী মৈহৌ লাংপোক থোকপদা ১২ শিরে

*বৈজিং, এপ্রিল ৩ঃ চাইনাদা চহি ৩ ঙাইরিবী নুপীমচা অমনা মৈখেৎ শান্নবদগী শোইদুনা ৱার্কসোপ অমা মৈজাও হৌদুনা চাকপদা মীওই ১২ শিরে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই কয়ামরুসু অশোক অপন নংখি হায়রি।*

*থৌদোক অসি হৌখিবা চয়োলদা থ্বাংদোং প্রোভিন্সকী খা থংবদা লৈবা জুনবুগী ৱার্কসোপ অমদা থোকখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েল জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখিবনি।*

*ৱার্কসোপ মপু অদুগী চৎপা হৈবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অদুনা মৈখেৎ পায়দুনা শান্নবদা স্পোঞ্জ মপৈ অমদা মৈ ৱাইরক্তুনা শাথিবা মৈহৌ লাংপোক অমা ওল্লকখিবনি হায়বা লোকেল ইনভেষ্টিগেটরশিংগী ৱারোল পল্লদুনা পাউগী এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরকখি।*

*মী লৈনবা য়ুম অমবু আইননা য়াদবা মওংদা ৱার্কসোপ ওষ্হোক্তুনা চলাইরকখিবা ওইরম্বদগী ৱার্কসোপ মপু অদুসু ওঠোরিটিদা চংজরকখ্রে হায়রি।*

*মী লৈনবা য়ুম অমবু ৱার্কসোপ ওষ্হোকপদা মৈহৌ লাংপোক্তগী কন্নবা হৌনবী পথাপ কয়ামরুম ইন্দবতা নত্তনা ৱার্কসোপ ওইনা শীজিন্নবা য়ুম অদুদা খুদোংথিবা থোকপদা চেষ্হোকফম থোঙ মশিং সুনা পাল্লমদে। অদুগা মৈ মুখৎনবা পোৎ চৈ কা হেন্না ৱাৎলম্মী হায়নসু পাউ অদুনা ফোঙদোরকখি।*

*জিনহুৱানা হায়বদা, মৈহৌ লাংপোক অদুদা শিখ্রবশিংদা চপ চাবা শেনফমদি পন্দনা কম্পেন্সেসন পীখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।*

*পনবা য়াবদি ৱার্কপ্লেস সেফটি ষ্টেন্দর্দ ঙাক্তবা চাইনাদা অসিগুম্বা মীশি মীনা য়াওবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসি মাইনশিং অমদি ফেক্টরিশিংদা য়াম্না তোয়না থোকই। শেঞ্জা থুমজানা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা হৌন-পথাপশিং চৎনহনবদা অহোবা য়াম্না লৈ হায়নসু মীয়াম্না ওঠোরিটিশিংদা মরাল শীবনি।*

*মমাং চহিগী জুন থাদা জিলিন প্রোভিন্সতা পোল্ট্রি প্লান্ট অমদা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক অমদসু মীওই ১২০ শিরগা য়ামদ্রবা ৭০ রোম শোকখিবনি। থৌদোক অদু চাইনাদা চহি কয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশি মীনা য়াওবা মৈহৌ লাংপোক ওইখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।*

# সাহারা লৈকংলাদগী য়ু কে দা ফোগ য়ৌরকই



*লণ্ডন, এপ্রিল ৩ঃ* বৃটিশ ওঠোরিটিশিংনা ঙরাং হায়খিবদা, সাহারা লৈকংলাগী উফুল ৱাইফুলনা লৈচিল নোংফাইগা তোৎশিন্নদুনা ইংলেন্দগী অয়াম্বা মফমশিং কুপশিনবা মরমনা থম্মোয় অমদি থবোম্বীগী অশোনবা লৈবা মীওইশিংনা অকনবা থবক শুবা হন্থগদবনি হায়না মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা হায়বদা, লৈবাক অসিদা এয়ার পোল্লুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট অসিনা হায়বদা, স্মোগ অসি বৃটেন মশাগী পোল্লুসন অদুগা সাহারা লৈকংলাদগী উফুল-ৱাইফুলগী নোংলৈ হুমদুনা লাক্লগা কন্টিনেন্ট অসিগী ইন্দষ্ট্রি য়াম্না লৈবা মফমশিং লান্দুনা হুন্নকপা নুংশিৎনা থোকহনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিদা বৃটেনগী মীওই কয়ামরুমনা মখোয়গী গাড়ীশিং ঙাংলৈনবা উফুল-ৱাইফুলগী মরোল অমনা কুপশিল্লম্বা থেংনখি। অসিদসু নত্তনা অতিয়াদা অকুংবা লৈচিল নোংফাইগা তোৎশিন্নবা উফুল ৱাইফুলনা নুংশাগী মঙাল ফাওবা ইশেং শেংহন্দবা মীয়ামনা থেংনখি হায়রি।

# নাজিবনা পঠকী এয়ারফোর্স বেজ য়েংশিনখ্রে

*সিদনি, এপ্রিল ৩ঃ* মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নজিব রজাকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মহাক্লা ফম মান্নবা টোনি এবোটকা লোয়ননা ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ গী লিখুন থিবগী অচৌবা থৌরাং অমগী সেন্টর ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী পঠতা লৈবা এয়ারফোর্স বেজ য়েংশিনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।



পঠকী অৱাং থংবদা লৈবা পিয়ার্স এয়ারফোর্স বেজদা প্রাইম মিনিষ্টর নজিবপু তরাম্না ওক্লদুনা সার্চ কো ওর্দিনেটর ওইরিবা হান্নগী এয়ারপোর্ট চিফ এঙ্গস হাউষ্টননা হায়খিবদা, মফম খঙদ্রিবা মালেসিয়া এয়ারলাইনগী জেট খোঙ্গুল লিনবগী থৌরাং অসি মালেম পুম্বনা থেংনখিবা ওপরেসনশিংগী খ্বাইদগী লুবশিংগী মনুংদা অমা ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক চথরিবা থিবগী ওপরেসন অসিগী শন্নপ্পা ৱারোল অমসু মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর নাজিবতা পাউদমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর টোনি এবোটনসু হন্দক্কী মালেসিয়াগী প্লেন থিরিবা অসি মীওইবগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী লুবা থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

অদুগা প্লেন অদুদা য়াওখিবশিংগী ইমুং মনুংশিংদা থিবগী থৌরাং অসি মখোয়না ঙমজবী থাক্তা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্তনা চথখিগনি হায়না থাজবসু পীখ্রবনি। ঙসিগী ওইনা থিবগী থবক অসি স্কৱার কিলোমিটর ২২৩,০০০ পাক চাওবা মফম অমদা চথরি হায়রি।

Creative Circle
POROMPAT
A special technical course for
SECTION OFFICER's{S.O.}
Civil = 119 Posts | Electrical = 127 Posts | IT = 36 Posts
Departments: PWD, PHED, POWER, MINOR IRRIGATION & IFCD of Manipur.
ONLY 30 STUDENTS PER BATCH......
Stream's Available: Civil, Electical & IT.
Timings: (6:30AM to 9:00 AM)
Class commencing from 10th March 2014.
Contact: POROMPAT, OPP. JNIMS GATE, ABOVE AXIS BANK, IMPHAL EAST. 85750 50815.
SI/C-31-5 March

# লেবাননদা লৈবা সিরিয়াগী রিফ্যুজি মিল্লিয়ন ১ য়ৌরে



*বৈরুট, এপ্রিল ৩ঃ* য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিফ্যুজি এজেন্সিনা হায়খিবদা লেবাননদা চংশিল্লকখিবা সিরিয়ান রিফ্যুজিশিংগী মশিং মিল্লিয়ন অমা হেনখ্রে হায়বগা লোয়ননা মসি শাথিনা মাঙনিঙাই ওইবা মাইলষ্টোন অমা ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিসোর্স মরাং কায়দবা অমদি তাথিনবা জাতি কাংলুপ য়ামদুনা হান্নদগী শোথরবা অপিকপা লৈবাক অমা ওইবনা লেবাননদা অসুক য়াম্না রিফ্যুজিশিং অসিদি অচৌবা পোৎলুম অমনি হায়না এজেন্সি অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চহি অহুম্রোমগী মমাংদা সিরিয়াদা মুক্লবগী ফিভম অসি হেক হৌরকখিবা মতম অদুদদি লেবানন অসি মালেম পুম্বগী পার কেপিটা কন্সেন্ট্রেসনদা রিফ্যুজি মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈশিনবা লৈবাক হায়বদু ওইরকখ্রবনি।

লেবানন মশাগী ওইনসু তেংবাংবা এজেন্সিশিংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লবদগী অচৌবা ৱাথোক মায়োক্লন্দুনা লাকখিবনি। মসিগী মথক্তা সিরিয়াগী কাংলুপ মশেল নাকপাক তানদুনা খুৎ থোক্লবদা লৈফম লৈত্রবা মীওইশিং লেবাননদা হোৎচিন্নরকখিবনি।

গভর্নমেন্ট অমদি মসিগী মায়োক্তা লৈবশিং হায়না নাকপাক তানদুনা হাৎন শুনবদগী মীয়াম মরক্তা য়ুম্লোন্নবা মশেল হাৎতোক্লবগী খুদোংথিবা থোক্তুনা লাকখিবনি।

মসিগী মতাংদা ঙসি য়ু এন ঐচ সি আরনা হায়খিবদা সিরিয়া মচা রিফ্যুজি লাক্ষ ১০ হায়বসি লেবাননদদি অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরে। নোংমদা রিফ্যুজি ২৫০০ রেজিষ্টর তৌবা অসি লেবাননগী অপুনবা মীশিং মিল্লিয়ন ৪.৫ দগী রিফ্যুজিশিংনা মশিং হেনবগী চাংদা লাক্লে হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

